**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অমৃত রেলৱে ষ্টেসন ৬০ শারগনি, মণিপুরগী ওইনা অমা য়াওরগনি হায়না রেলৱেজ মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা ফোংদোকখ্রে।

২) নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা দ্রাইভরশিংনা খোঙজং চংশিনখিবদগী হৌজিক জিরিবামদা পেট্রোল্লিয়ম পুবা গাড়িশিং য়াওনা পুন্না গাড়ি ১৮৩ পন্দুনা লৈরি।

৩) মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপুনবা লুপনা সরকারনা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

৪) কেন্দ্রগী বজেৎতা রাজ্যশিংদা মান্নদবা মীৎয়েং য়েংলে হায়না বিরোধিনা শিরকখিবা মরাল অদু শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না য়াখিদ্রে।

অমসুং

৫) অরানবা অমদি য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ শন্দোকপা থিংনবা সরকারনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎলি হায়না কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি।

------

ষ্টেসন (এল)ঃ মণিপুরগী অমা য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অমৃত ষ্টেসন হায়না মীংথোনবা ট্রেন ষ্টেসন ৬০ শারগনি হায়না

রেলৱেজ অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা ফোংদোকখ্রে।

বজেটরি প্রোভিজনগী মতাংদা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মণিপুরগী ওইনসু থৌরম অদু বাবুপারাদা লৈবা পি.আই.বি ইম্ফালগী ওফিসতা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাউমীশিং অমদি পি.আই.বিগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

নোর্থ, নোর্থ সেন্ত্রেল অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন রেলৱেজগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অদুদা শ্রী অস্বিনিনা হায়- শাগদৌরিবা অমৃত ষ্টেসন ৬০ অসিগী মনুংদা মণিপুরদা ১, অরুনাচল প্রদেশতা ১, অসামদা ৫০, মেঘালয়দা ১, মিজোরমদা ১, নাগালেন্দ অমসুং সিক্কিমদা অমমম লোয়ননা ত্রিপুরাদা ৪ নি। মহাকা হায়- ইং ২০০৯ দগী ২০১৪ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা রেলৱে ত্রেক চহি অমদা চাউরাকা কিলোমিতর ৬৭ লোম শেম্বা ঙম্লম্মী। অদুবু ইং কুমজা ২০১৪ দগী চৎলিবা চহি অসি ফাওবদা চহি অমদা কিলোমিতর লিশিং ১০,৩৭৬ লোম শেম্বা ঙমদুনা রেলৱে ত্রেক শেম্বগী চাং চাদা ৫ হেনগৎলে। মমাংদা রেলৱে ত্রেকশিং ইলেক্ত্রিফিকেসন তৌরমদ্রবসু ইং ২০১৪ দগী ঙসি ফাওবদা চহি অমদা চাংচৎতা কিলোমিতর ১৪২ রোম ইলেক্ত্রিফিকেসন তৌবা ঙমলে হায়খি।

রেলৱেজনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং পল্লদুনা শ্রী অস্বিনিনা মখা তানা হায়- ইং ২০১৪ দগী ঙসি ফাওবদা রেল ফ্লাই ওভর অমদি অন্দর ব্রিজেস পুন্না ৪৭০ রোম শাখ্রে।

জিরি (এল)ঃ নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা দ্রাইভরশিংনা খোঙজং চংশিনখিবদগী হৌজিক জিরিবামদা পেত্রোল্লিয়ম পুবা গাড়িশিং য়াওনা পুন্না গাড়ি ১৮৩ পন্দুনা লৈরি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-ঙসি নুমিৎয়ুংবা মমাং ফাওবদা জিরিবামদা পন্দুনা লৈরিবা গাড়িশিং অদুগী মনুংদা-এল.পি.জি.

পুবা গাড়ি ৬৯, থাউ পুবা গাড়ি ৯১, ওক্সিসেন্ট পুবা গাড়ি অমা অমদি অতৈ তঙাইফদবা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২২ য়াওরি। লম্পী অসিগী ফিভম কা হেন্না ফত্তবদগী ওল জিরিবাম রোড ট্রান্সপোর্ট ড্রাইভরস য়ুনিয়ন, ওইনামলোং ড্রাইভরস য়ুনিয়ন, হিল এরিয়া ড্রাইভরস য়ুনিয়ন-খোংশাং অমদি অতৈ লম্বী অসিগা মরী লৈনবা লুপ কয়াগা খুৎশমদুনা থা অসিগী ২২ দগী লম্বী অসিদা গাড়ি চৎতনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

লম্পী (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লমফেল কোর্টকী লম্বী শেমজিল্লু হায়বা দাবীদা ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসন (অম্বা)গী মেম্বরশিংনা লম্বী অসি থিংজিনদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে। অম্বাগী প্রসিদেন্ট পুয়াম তোমচানা হায়- লম্বী অসি ইম্ফালগী য়ামা মরুওইবা লম্বী ওইরবসু মতম শাংনা শেমজিনবীদবনা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা পীবতা নত্তনা গাড়ি এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংলে। মরী লৈনবশিংদা শেমজিনবীনবা কয়ারক হন্না তকশিনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক পাঙথোরক্তবদগী লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি চংশিল্লকপনি। মসিদা মরী লৈনবশিংনা মাৎয়েং চংবিদ্রবদি মখা তানা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়রি।

বন্দ (এল)ঃ ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী অসি শেন্বীনবা দাবী তৌদুনা ওল কোংবা রোড য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অক্রুকো) না চখ্থরিবা খোঙজং মখা তানা চখ্থরি। মসিনা মরম ওইরগা লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা চাউনা অৱাবা মায়োকরে।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মহৈরোইশিং অমদি ফেটরনিতিশিংনা ১৭ লক শুবা দিষ্টর্বেন্স ফ্রি ইজ্কেসনেল জোন দিমান্দ ডে ঙসি পালন তৌখ্রে।

য়ুনিভর্সিতি অসিগী মেন গেটতা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তৌরক্লি। দাবীশিং অদুগী মনুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি মনুংদা শেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎ চৈগী দিমান্দ

তৌবীগনু, ইজ্‌কেসন সেক্তরদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসন খুদিংমক্তা সরকারনা পোলিতিসাইজ তৌবীগনু অমসুং চহি অমগী মনুংদা নুমিৎ ২২০ দি শুকশোই শোইদনা লাইরিক তমহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়বা দাবীশিং য়াওরি।

নাসা (এল)ঃ নাসা মুক্ত ভারত অভিয়ান কেম্পেন ঙসি ককচিং জিলাদা, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দনা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা শিন্দুনা কেম্পেন অসি হৌদোকখিবনি। সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা সিগনেচর কেম্পেন অসিনা ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিং মুথৎনবা পান্দম থল্লি।

কৈথেল (এল)ঃ মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপুনবা লুপনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা সরকারনা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা তংদু লৈতাবা পুরক বা হোৎনবায়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবগী থাংজিং হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনাম বিলাসিনিনা হায়- লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামা রিলিফ কেম্পতা অৱাবা কয়া খাঙদুনা লৈবা অসি চহি অমা মখায় ফাজিল্লক্লে। মখোয়শিং অসি মশা মশাগী য়ুমদা তেক্ত কায়দনা হঞ্জিনবগা লোয়ননা অয়েৎ অপন য়াওদনা লৈরবা মতম অদুদা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লে হায়না লৌগনি। মসিদা পাল্লিবা সরকার অসিনা অকনবা মীৎয়েং চংবীদুনা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

কেম্প (এল)ঃ সেন্তর ফোর ফাইনান্সিয়েল লিটরেসি অমসুং লিদ দিষ্ট্রিক্ট মেনেজর থৌবালনা শিন্দুনা ঙসি ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা নোংমগী ওইবা মেগা ফাইনান্সিয়েল লিটরেসি কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

নবার্দ অমসুং আর.বি.আইগী লমজিং মখাদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী

তেংবাংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা অখঙ অহৈশিংনা জিলা অসিদা লৈবা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিং অমদি মরী লৈনবা বিভাগশিংনা পীরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা স্কিমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

এলদিএ (এল)ঃ লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতি ৱার্করস এন্দ ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়ন্না তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তাল্লদুনা ঙসিদগী ৱাকৎ মীফম চথবা হৌখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিস মমাংদা ৱাকৎ মীফম অদু চথখি। লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা চথগদবা ৱাকৎ মীফম অদুদা তাল্লিবা দাবীশিংদি- ইক্বেল ৱার্ক-ইক্বেল বেনিফিটস, এল.দি.এগী কর্ম্মচারিশিংগী চৎন কাংলোন শেম্বীবা, সেনিয়ারিতি বেসিসতা নোন-টেকিকেল কর্ম্মচারিশিং প্রমোসন পীবা অসিনচিংবা দাবী য়াওরি। য়ুনিয়ন অসিনা তাল্লিবা দাবীশিং মরী লৈনবশিংনা তাবীদ্রবদি থা অসিগী ২৯ দগী থবক লেপ্পগী খোঙজংশু চংশিনগনি হায়রি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী লোংমাইদা পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ককী অনৌবা ব্রাঞ্চ অমা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরতচন্দ্র অরোজ্না হাংদোকখ্রে। ব্রাঞ্চ অসিনা মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা মীয়ামদা অহেনবা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি হায়না দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ফোংদোকখ্রে।

সিসিপুর (এল)ঃ অসামগী কছারদা মার নহা অহুম হাৎখিবগী মায়োক্তা চুরাচান্দপুরদা ঙসি মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। কুকি ৱিমেন ওর্গনাইজেসন ফোর হ্যুমেন রাইটস অমসুং মার ৱিমেন এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা মীশি অসিগী মতাংদা জ্দিসিয়েল ইনক্বারি তৌগদবনি হায়না দিপ্যুতি কম্মিসনারগী খুত্থাংদা গৃহ মন্ত্রি চেরোল পীশিনখি।

ফেসোক (এল)ঃ ময়াংইম্ফালদা লৈবা প্রভাবতি কলেজগী গভর্নিং

বোদিনা চৎন কাংলোনগী ৱাংমদা ওজা ৭ হাপ্লমলে হায়না ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক)না মরাল শিরক্লি। লুপ অসিগী চেরোল অমদা হায়- কলেজ অসিগী নৌনা হাংবা দিপার্টমেন্ট অহুমদা ওজা ৭ থা ৬ কী কন্ত্রেক্ট বেসিসতা হাপ্তুনা থবক তৌহল্লমখি। অদুবু তুংদা হায়রিবা ওজাশিং অদু এদভর্টিমেন্ট নোটিফিকেসন থোক্তনা অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসনদগী অয়াবা লৌদনা ওজাশিং অদু হাপ্লন্বনি হায়না মরাল শিরি।

লাইরিক (এল)ঃ থাঙ্গ মৈহৌরোল পুয়া ৱারী হায়বা লাইরিক অমা ফোংখ্রে। লাইরিক অসি লুৱাংচা ইবোমচা সলাম কৈবুলনা ইবনি।

লিন্থোইঙম্বী (এল)ঃ মমাং চহিগী জ্‌লাই ৬ তা জোজাংতেক্কী মফম অমদা মাংখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবী শগোলবন্দ তেরা তোংব্রম লৈকাইদগী লুৱাংবী লিন্থোঙম্বী হিজমগী হকচাং ফংদ্রিবা ফাওবা মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিরোই হায়না মহৈরোই অসিগী অপোকপা হিজম কুলাজিৎনা হায়রি। ঙসি মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হিজম কুলাজিৎনা হায়- সেক্যুরিতি এদভাইজরগা উন্নদুনা ৱারী শারুবদা ঙসি ফাওবগী মনুংদা লংলা লংজিল খঙহল্লক্কনি হায়না থল্লকখিবনি। অদুবু মদুগী মহুৎতা থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌওইদবগী মমি তাবা অসি লাইবক থিবনি। চাওখৎলবা মতম অসিদা ফোনগী লিখুন ফাওবা পুথোকপা ঙমদবা অসি পাল্লিবা সরকার অসি শোল্লে হায়বা তাকপনি হায়রি।

অমরোমদা, মমাং চহিগী জ্‌লাই তরুক্তগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা মহৈরোই-হিজম হেমানজিৎকী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি অয়ুক মহাক্কী পোক ফম তাকয়েল কোলোম লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

নিরমালা ঃ কেন্দ্রগী বজেৎতা রাজ্যশিংদা মান্নদবা মীৎয়েং য়েংলে হায়না বিরোধিনা শিরকখিবা মরাল অদু শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না য়াখিদ্রে।

রাজ্য সভাদা ঙসি জিরো অৱারগী মতমদা বিরোধিশিংনা শিরকপা মরালগী পাউখুম পীরদুনা শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- কংগ্রেসনা লুচিংবা বিরোধিশিংনা মখোয়গী দলশিং লৈঙাকপা রাজ্যশিংদা কেন্দ্র সরকারনা করিসু য়েংশিনবীদ্রে হায়না লান্না উহন্নবা থৌরাংনি। বজেৎ খুদিংমক্তা লৈবাক অসিগী রাজ্য খুদিংমক্কী মমিং পনগনি হায়বগী ৱাফম লৈতে। মমিং পনদে হায়দুনা কেন্দ্র সরকারগী থবক থৌরমশিং রাজ্য অদুদা য়ৌরোইদবা নত্তে।

লোক সভা ঃ অরানবা অমদি য়ুস্ফম য়াওদবা পাউ শন্দোকপা থিংনবা সরকারনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎলি হায়না কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা ফোংদোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি মহাকা পীখিবা অইবা পাউখুম অমদা শ্রী অস্বিনিনা হায়- তোঙান তোঙানবা মিদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা শন্দোকপা অরানবা পাউশিং য়েংশিন্নবা সরকারগী ইন্সটিট্যুসনেল মেকানিজমশিং লৈ। মন্ত্রালয় অসিগী মখাদা হৌখিবা চহি ২০১৯ গী নবেম্বর থাদা প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরোগী মীৎয়েং মখাদা ফেক চ্যেক য়ুনিত (এফ.সি.য়ু) হায়বদি অরানবা খঙদোকবা য়ুনিত শেমখ্রে। মসিনা কেন্দ্র সরকারগা মরী লৈননা শন্দোরকপা অরানবা পাউশিং য়েংশিনবদা চাউনা মতেং পাংলি।

রেলৱে ঃ রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- ইং ২০১৪ দগী হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ান রেলৱেজদা মীওই লাখ ৫ হেন্না থবক লৌখি। ৱাফম অসি মন্ত্রিনা ঙসি লোক সভাদা ফোংদোকখিবনি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীরদগী অর্তিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা মফম অদুগী শান্তি রক্সাগী ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে হায়না কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি নিত্যানন্দ রাইনা ঙসি রাজ্য সভাদা ফোংদোকখ্রে। ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা শ্রী নিত্যাইনন্দ রাইনা হায়- হৌখিবা চহি ২০২৩ দগী জম্মু কাশ্মীরদা নুঙ থোমজিনদুনা ইরাং হৌবনচিংবগী থৌদোকশিং থোকখিবা লৈতে। শান্তি রক্সাগী

ফিভম ফগৎলকপদগী জম্মু কাশ্মীরদা মপান লৈবাক্কী লম কোইবশিং লাকপগী চাং হেনগৎলে। মহৈলোইশঙশিং, হোস্পিতালশিং অমসুং পাব্লিক ইন্সটিট্যুসনশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা মথৌ নিংথিনা তৌরে। শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলকপদগী হৌখিবা চহি ২০২৩ দা লমকোইবা মী কোতি ২ লাখ ১১ রোম লাকখি হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

শ্রীনগর ঃ জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুপৱারা জিলাদা ঙসি টেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোকবদা ভারত লান্মীগী অমা শোক্লে, টেরোরিষ্ট অমা লৈখিদ্রে। লান্মীনা থাদোরকপা চেরোল মঅদা হায়-কুপৱারা জিলাদা টেরোরিষ্টশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী ঙরাং নুমিদাংদগী জম্মু পুলিসকা লোয়ননা থিবা হুম্বগী থবক চথুরকপনি। মদুদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ভারত লান্মীনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপবদা টেরোরিষ্ট অদু লৈখিদবনি।

ফোর্স ঃ বি.এস.এফ, এস.এস.বি, সি.আই.এস.এফ অমসুং রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্স য়াওনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সতা এক্স-আগিবিরশিং লৌশিন্নবা শেম শান্নরক্লি।

সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী দাইরেক্তর জেনেরেলশিংনা এক্স আগি বিরশিংদা চাদা ১০ রিজার্ভেসন পীবগা লোয়ননা থবক চংবগী চহি অমদি ফিজিকেল ইফিসিয়েন্সি টেষ্টতা কোমথোক্কনি হায়রি। থৌরাং অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপনি হায়রি।

নিট ঃ নিট য়ু.জিগী পরিক্ষা মখা তানা তৌদনবা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়না কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ সুকন্টা মজ্মদরনা হায়রি। রাজ্য সভাদা ঙসি মহাকা পীখিবা অইবা পাউখুম অমদা শ্রী মজ্মদরনা হায়- নিট য়ু.জি পরিক্ষা লৌথোক্লগা হান্না চৎনরম্বা রাজ্যশিংনা পাঙথোকপা এন্ত্রান্স একজামিনেসন অদু অমুক হঞ্জিনহনবগী ৱাফম লৈতে।

অমরোমদা, হৌখিবা জন্ থাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা য়ু.জি.সি (নেট) পরিক্ষা অদু মথং থা ওগষ্টকী তাং ২১ দগী সেপ্তেম্বর ৪ ফাওবগী মনুংদা কম্প্যুটর বেজ টেষ্ট ওইনা পাঙথোকবা ব্বারেপখ্রে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

কোর্ট ঃ পনদুনা লৈরিবা কেসশিং লোইশিন্নবা অমদি য়ান্নবা মওংদা ব্বারোইশিন পুরকবা পান্দমদা সুপ্রিম কোর্টনা অখন্নবা লোক অদালট থা অসিগী ২৯ দগী মথং থাগী অহুম ফাওবা ফম্লগনি। মসি সুপ্রিম কোর্ট লিংখৎখিবগী চহি ৭৫ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবনি।

নেপাল ঃ নেপালগী কাঠমন্দুদা লৈবা ত্রিভুবন ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৮ লৈখিদ্রে, অমনা শোক্লে। থৌদোক অদু এরোপ্লেন অদুনা রন-ব্বেদগী পাইখৎলকপদা থোকখিবনি। নেপালগী গৃহ মন্ত্রি রামেশ লেখা মফম অদুদা চংশিন্দুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

------